তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোকখ্রে

OBSERVANCE OF WORLD AIDS DAY 2018
Theme: "Know your status"
Kwakeithel Community Hall, Near Public Ground, Kwakta, Bishnupur District, Manipur

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট সেন্তর ময়াং ইম্ফাল চবুং কম্পেনিনা শীন্দুনা ওর্গেনাইজেসন অসিগী ওফিসতা ঙসি ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট সেন্তরগী সেক্রেটরি হাওবিজম থাজ চনুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা এম দি অবদুল হেলিম হেদ মাষ্টর ফৌবাকচাও হায় স্কুলনা চীফ গেষ্ট ওইখি।

হাওবিজম থাজনা নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়খি, নো য়োর ষ্টেটস হায়বা থিমদা অহানবা এইদস দেগী থৌরম ৩০শুবা এনিভর্সরিগা লোয়ননা পাঙথোক্লি। লায়না অসিগী লায়ওং খঙদোকপা অমদি লায়েংবদা য়াম্না খুমাঙ চাওশিনবগা লোয়ননা কুমজা ২০৩০দা এইদস লায়না অসি লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়বগী ৱারোল ফোঙদোক্লরক্লি।

অসিগুম্বা পাক শন্না মাঙ তাক্লিংঙাই ওইরবা লায়না অসিদগী অৱাবা অমসুং খুদোংথিবা নংহল্লিবা কয়া অসি তুংগী মীরোলদা মায়োক্লদনবা হোৎনবনি। মালেম পূম্বগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ৭৭ হেন্না ঐচ আই ভি লায়নানা নাহনখ্রে অমসুং মীওই মিল্লিয়ন ৩৫ হেনবনা এইদসকা মরী লৈনবা লায়নাশিংনা নাদুনা শিখ্রে। হৌজিক তৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি। খ্বাইদগী নৌনা মওংদা য়ু এন এইদসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ঐচ আই ভি লায়নানা নারবা মীওই ৯.৪ মিল্লিয়ন হৌজিক ফাওবা মখোয়গী ষ্টেটস খঙদনা লৈরি হায়রি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ক্যুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মহৈরোয় ২৫না শরুক য়াখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল কন্মিটি বিষ্ণুপুর, এন সী পি আই+ এ ঐচ এ এন এ প্রোজেক্ট বিষ্ণুপুর অমদি এম এল এ ওফিস মোইরাংনা শীন্দুনা ঙসি ক্বাক্তা কম্যুনিতি হোলদা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ পি সরতচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, ডা. টি মনিহার চীফ মেদিকেল ওফিসর বিষ্ণুপুরনা প্রসিদেন্ট অমদি এম দি মেহিরুদ্দিন চ্যেরপার্সন ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লরশিং, দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ওফিসরশিং অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ডা. এল রায়চন্দ্র দিষ্ট্রিক্ট এইদস কন্ট্রোল ওফিসর বিষ্ণুপুরনা ঐচ আই ভি/এইদসকা মরী লৈনবা ৱারোল কয়া থমখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবগী কেসসু চহী খুদিংগী হন্থরকই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মরুওইনা হন্দক্কী চহী অমদি মমাঙগী চহীগী ওইনদি এ এন সীদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবগী কেস অমা ফাওবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ পি সরতচন্দ্রনা হায়খি, এইদসনা নারবা মীওইশিংবু চপ মান্নবা মীৎয়েং থমগদবনি অমদি য়ারিবমখৈদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবীয়ু। মরুওইনা হৌগৎলক্লিবা নহা ওইরিবা মীওইশিং অমদি অঙাংশিংনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াবু অতোপ্পা চাওখৎপা লৈবাকশিংগা লেং মান্ননা চৎকে হায়রবদি না-য়েক্তুনা অফবা ৱাখল্লোন খন্দুনা হোৎনবা লেপ্পোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি। নো য়োর ষ্টেটস হায়বা চহী অসিগী ৱর্ল্ড এইদস দেগী থিমগা মরী লৈননা হৌখিবা নবেম্বর ২৭তা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্ট পের্ন্টিং কম্পিটিসনগী প্রাইজশিংসু থৌরম অদুদা য়েন্থোকখি।

কম্পিটিসন অদুদা অনিতা ষ্টেন্দর্দ ইংলিস স্কুল ক্বাক্তাগী ক্লাস টেন তল্লিবা মহৈরোয় এম দি সহিদ খান্না অহানবা, স্কুল অসিমক্তদা ক্লাস আইট তল্লিবা এম দি ইরফান অহম্মদনা অনীশুবা অমদি ক্বাক্তা হায় স্কুলদা ক্লাস সিক্স তল্লিবা এম দি জিৱর রহমননা অহুমশুবা তাখি। অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২, ১,৫০০ অমসুং ১০০০ লোয়ননা মরিশুব অমসুং মঙাশুবা পোজিসন তারকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা কোন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা ৫০০/৫০০ পীখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ক্বাক্তাদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা রেল্লি অমসু চৎখি। ন্যু লাইফ ফাউন্দেসন এন্দ পোজিটিভ পিপল মোইরাংনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরম থম্নাপোকপীদা লৈবা গ্লোরি চিলদ্রেন হোমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদসু মোইরাং এ সীগী এম এল এ পি সরতচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, বিষ্ণুপুরগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর নিতু আই এ এসনা প্রসিদেন্ট অমসুং চিলদ্রেন হোম বিষ্ণুপুরগী দিরেক্টর এল পিশক অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পি হোপসন সাপম আই পি এসনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটি অমদি জোইন্ট ইমা মৈরা পায়বী জিরিবাম অনীনা খূৎশম্নদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদগী হৌদুনা অসাম ষ্টেটকা থংনরিবা জিরিঘাট পুলিস ষ্টেসন ফাওবা ৱর্ল্ড এইদস দে ২০১৮গা মরী লৈননা মাস রেল্লি অমা চৎখ্রে।

টিপটিদসগী কনফরেন্স হোলদা টিপটিদস জিরিবাম, সন রাইস ক্লব অমসুং সী দল্লিয়ু এনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মাস রেল্লি অদুদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা স্কুল কয়াগী মহৈরোয় অমদি মহৈরোয় ওর্গেনাইজেসশিংগী মহৈরোয়সু শরুক য়াখি।

রেল্লি অদুদা নো টু দ্রগ, য়েস টু লাইভ, হ্বাট আর য়ু দুয়িং ইন ৱর্ল্ড এগেনষ্ট এইদস, ষ্টোপ দ্রগস বায়রস এন্দ সেল্লর নম্বর ফোর হেরোইন অমদি য়ু য়োনবা লেপ্পসি, য়ু থকপা লেপ্পসি হায়বনচিংবা প্লে কার্দ কয়া পায়দুনা চৎখি।

মাস রেল্লি অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা কাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি নোংথোম্বম কুমারিনা হায়খি, জিরিবাম খুন্নাইগী খনখৎলক্লিবা অঙাংশিং অসিনা ময়াই কাবা চিঙাক্কী ঈপাক্তা তাওরক্লি। মখোয়না খুন্নাই অসিদা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্তদৌরিবনি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙাক চাবা অঙাং অমনা খুন্নাইগী খনবা ঙম্লোই অমদি লাইরিক লাইশুদসু অফবা মহৈরোয় অমা ওইবা ঙম্লোই।

মরম অদুনা কাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটি অমদি জোইন্ট ইমা মৈরা পায়বী জিরিবাম অনীনা চথরক্লিবা খোঙজংদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু। রেল্লি অসিগীদমক্তা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা অমদি জিরিঘাট পুলিস ষ্টেসন্দা হায়জরুবদা রেল্লি অসি চৎপগী অয়াবা পীবিরকপগা লোয়ননা রেল্লি অসি অশোয় অঙাম থোক্তনবা ঙাক শেনবীখিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অমরোমদা মহৈরোয়শিং অমদি মহৈরোয় ওর্গেনাইজেসনশিং শরুক য়াখিবা পূম্নমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

টিপটিদসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মেদিকেল ওফিসর ডো. এম রিনা, ডো. থাংসাপাও কামৈ, আর কে রোবিনস্না প্রধান দিবোং জি পি অমদি আর কে বিজয়স্নানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

দলিট সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংগদবশিংগী মীং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমিগী ৩৪রকশুবা নেসনল কনফরেন্স ওফ দলিট রাইটরসকী থৌরম থা অসিগী ৯ অমসুং ১০দা দেল্লিগী জরোদা ভিলেজ বরাইরি বাই পাস রিং রোদকী পঞ্চসিল আশ্রমদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মনা পীনবা খল্লকপদা মণিপুরী মচা কয়া য়াওরে হায়না দলিট সাহিত্য একাদেমি মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

দলিট সাহিত্য একাদেমি মণিপুরগী সেক্রেটরি বি কে মঙাঙনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদগী খল্লক্লবশিং অদুদি লিটরেচরদা তেন্থাদগী মোনিকা মোইরাংথেম, ককচীংদগী ডা. প্রমোদিনি, নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর থোকচোম ধনেশ্বর, থম্বাল মরিক কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর খাইদেম চাউবা, পলেল হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর সলাম মনিচৌ, ফৌদেল অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওজা লাইশ্রম রঞ্জিৎ অমদি খাঙেম্বম শান্তি, হাদাদগী ডা. ওইনাম চাউবা, নম্বোলদগী ডা. লৈমপোকপম প্রমিলা, লিলোং চজিংদগী ক্ষেত্রিময়ূম বেবিলি, হৈরোক্তগী ডা. থোকচোম নিলচন্দ্র, তোপ্তগী ডা. থিংবাইজম বিমোল, পেলেস কম্পাউন্দগী লৈশেম্বা মোইরাংথেম অমসুং চীংলেম্বা মোইরাংথেম, পাৎশোইদগী মেম্বর লিলি, হিয়াংথাংদগী পাঙম্বম নন্দকুমার অমসুং এক্টিভ সার্ভিসতা খোংজোমদগী ওক্রম রবিশঙ্কর, মনোহর সাই সঙ্কির্ত্তনদা ব্রহ্মপুরদগী গুরুময়ূম সিবচন্দ্র অমসুং তাকয়েল খোংবান্দগী খাইদেম লোলিতানি হায়রি।

নুমিৎ নীনি চূপ্পা পাঙথোক্কদবা ভারত রত্না ডা. ভিম রাও অম্বেদকরগী ১২৭শুবা কুমওন থৌরমদা ইন্দিয়াগী মপান্দগী লাকপা মীওইশিং য়াওনা মীওই লিশীং কয়ানা শরুক য়াগদৌরিবা থৌরম অসি য়াওরুনবা মণিপুরদগী এক্স মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্ত, বি দি এস এগী নেসনল সেক্রেটরি য়ূম্নাম মহেন্দ্রকুমার ষ্টেট প্রসিদেন্টকা লোয়নবা মীহুৎ কাঙবু অমা থা অসিগী ৬ অমসুং ৭তা ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়রি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙলকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈবি সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা মীওই কয়ানা তেংবাঙবীরকখ্রে হায়না ফোঙদোক্লি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গৈই পিবানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নবেম্বর ২৩দা ললাম্বুংমখোং নাওসেকপম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম ব্রোজেন অমদি থোকচোম ওংবী রাসোরি অনীগী মচানুপা থোকচোম অর্বিন্দগী ৩২শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা হোমসিগী অঙাংশিংদা জর্সি ১২ তেংবাঙবিরম্মী।

নুমিৎ অসিমক্তদা সত্যা সাই ওর্গেনাইজেসন খুরাই সম্মিটিনা শীন্দুনা সত্যা সাই ববাগী ৯৩শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চিলদ্রেন হোম অসিদা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা অঙাংশিংগীদক্তা চেঙ বেগ ২, আলু, অচাথাও, থুম, চিনি অমদি চান-থক্রবা পোৎলমশিং অমদি টাৱেল ১২ তেংবাঙবিরম্মী। হৌখিবা নবেম্বর ২৪দা খুরাই পুথিবা লৈকায়দগী মোইরাংথেম ইবোয়াইমগী মচানুপা মোইরাংথেম বেঙ্কিনা হোমগী অঙাংশিংগীদমক্তা বাই সাইকল অমা, খোঙউপ জুরা ২, ফুটবোল বুট ৯, কেজুএল শু ১, ক্লাস টেনগী গাইদ বুক ৩, হেন্দ গ্লোব ৩, জেকেট ২, জোগিং সার্ট ১, মোজা ১৩ অমসুং জিন্স খোঙগ্রাও অমা পীবিরম্মী।

নুমিৎ অসিমক্তদা খুরাই সোইবম লৈকায়দগী চীংশুবম মোমো মীতৈনা মহাক্কী মচানুপা চীংশুবম লৌশিংবা মীতৈগী ৯লকশুবা চহীগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক্তা ব্লাঙ্কেট ১২, ফি ২ অমসুং চেঙ বেগ ১ মতেং পাংবীরম্মী।

হৌখিবা নবেম্বর ২৬তা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দগী থিঙোম রতনকুমারগী মচানুপা অর্বিন্দ থিঙোমনা মহাক্কী ২৫রকশুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক্তা চেঙ বেগ ২ অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশীং ২ তেংবাঙবীরম্মী।

হৌখিবা নবেম্বর ২৯দা ললাম্বুংদগী লাইতোঞ্জম জোনসনগী মচানুপী লোইতোংবম গিরিন্দাগী ২২রকশুবা মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংদা চাকলেন অমা পীজবীবগা লোয়ননা আলু বেগ ১, থুম বেগ ১, চপ্পল ১২ অমদি পোৎলম কয়া তেংবাঙবীরম্মী। তেংবাঙবীরক্লিবশিংবু য়াইবিলেন অমদি হোম অমসিগী অঙাংশিংনা তৌবিমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ফিল্ম সেন্সর তৌবগী মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

ফিল্ম ফোরম মণিপুর অমসুং ফোরমগী কন্সলটেন্ট বোদি ওইরিবা এ এম এফ আই এম পি এগা হৌখিবা নবেম্বর ৩০দা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা ফিল্ম সেন্সর তৌবগী হান্না লেপখিবা মতম অদু চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি। চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১গী মনুংদা প্রিভিয়ু তৌখ্রবা ফিল্মশিংসু সেন্সর য়াওদবা ওইরবদি সিনেমা হোল মপূশিংনসু ফিল্ম অদু লৌথবীগদবনি। পরম অসি ঙাক্তবশিংদা ফোরমগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না এক্সন লৌগনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন রাকেস নাওরেম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ লাম্থোকপগী থৌরমদসু সেন্সর রেজিষ্টর তৌবগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবা লৈখ্রে অমদি সেন্সর তৌদবা ফিল্মশিংদি এম এস এফ দি এসকী ওদিটরিয়মদা উৎপগী অয়াবসু পীদে হায়না ফোঙদোক্লখি।

মিজোরামদা এম এল এফনা য়েংশিন্দুনা মায় পাক্লা মীখল পাঙথোকপা ঙমখিবনি : সী ঈ সী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

মিজোরাম এসেমব্লি ইলেক্সন হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা অদুদা মীয়াম্না মপূং ফানা ভোট থাদনখিবা অমদি মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা ষ্টেট অদুগী মপাঙ্গল কল্লবা চর্চনা স্পোন্সর তৌবা মিজোরাম পিপলস ফোরমনা মীখল অসিগা মরী লৈননা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা ৱারোল কয়া পোলিটিকেল পার্টি অমসুং ভোটরশিংদা থল্লবা মতুংদা মায় পাক্লা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী ওইনা অসিগুম্বা মপাঙ্গল কনবা সিভিল বোদি অমনা অসুম্না মীখলদা কূপ্পা শেন্নদুনা মায় পাক্লবা মীখল পাঙথোকখিবা অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেট ওইরে। লোয়ননা অসিগুম্বা সিভিল বোদি অসিনা মীখল অসিবু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাং অদুবু চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসর অসিসকুন্দ্রানা হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

মিজোরাম পিপলস ফোরম অসি মপাঙ্গল কল্লবা প্রেসবিটিরিয়ন চর্চ মিজো সিনোদগা অতৈ অতোপ্পা মপূং ওইবা চর্চশিং অমসুং সিভিল সোসাইটিশিংগা পূন্না কুমজা ২০০৬কী জুন ২১দা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অমদি মীখলদা য়েংশিন্নবা শেমখিবনি।

মিজোরাম পিপলস ফোরমগী লুচিংবা সী এল দাওলিয়ানা ভেঙলুইয়া পোল্লিং ষ্টেসন্দা অসুম্না ফোঙদোকখি মখোয়না ভোটরশিংবু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংদুনা ইলেক্তোরেল রোলদা মমিং য়াওরিবশিং অদু ইলেক্সন ওফিসলনা পীবা ফোটো ভোটর স্লিপ অদুগা চান্নহন্দুনা য়াম্না লায়বা মওংদা মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনখিবনি।

আইজোল সাউথ টু কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা মহাক্লা মীখলগা মরী লৈননা থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা মখা তানা হায়খি, মমাঙদগী পোলিটিকেল পার্টিগী ৱার্করশিংনা পোল্লিং ষ্টেসন মমাঙদা ফমদুনা ভোটরশিংনা ভোটর লিষ্টতগী মখোয়গী মমিংনচিংবা আইদেন্টিফাই তৌবদা মতেং পাংই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মদুগী থৌদাং অদু মিজোরাম পিপলস ফোরমনা পাঙথোক্লে।

মসিদা কাঙলূপ অমদি তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন খায়দনা চত্থবনি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মীখল পাঙথোকখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা এম পি এফনা বেঞ্চশিং পুথোক্তুনা মীয়াম্না মখোয়গী ভোট থাদবগী তাঞ্জা ঙাইনবগীদমক্তা ফমদুনা লৈহনখি। কেম্প্যেন অসিগী মনুং চন্না ষ্টেটকী মীখল অমসুং লোকল ফোরমগী মীখলদা এম পি এফনা মীয়ামদা লাউথোক্তুনা কেন্দিদেট অমসুং কেম্প্যেন তৌরিবশিংনা শেলগী পাঙ্গল শীজিন্নদুনা ভোটরশিংবু থেমদনবা কেম্প্যেন চত্থবগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু অমগা অমগা হুন্নবগী থবক তৌদনবা ৱারোল ফোঙদোরকখি। অদুগুম্বা চৎন-পথাপশিং অদু থুগাইরকপশিং অদু মিজোরাম পিপলস ফ্রন্টনা মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টিগী ওইরবসু মীয়াম খঙনা লাউথোক্তুনা থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকই।

মিজোরাম পিপলস ফ্রন্টকী লুচিংবশিংনা চ্যের লৌদুনা কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং কেন্দিদেটশিংগা উনদুনা কেন্দিদেটশিংনা কাঙলূপকী ওইবা চাক খাংবা নৎত্রগা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়াম খঙনা ভোট খোম্ববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি।

মিজো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী এদভাইজর জৌলানা ফোঙদোকখিবদা, মিজো পিপলস ফ্রন্টতা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক সিগ্নেটরি ওইরি। এম পি এফ হায়বসি কনামত্তগা মীচং চঙশিন্নদবা বোদি অমনি। অসিগুম্বা এম পি এফকী ৱারোল কয়া অদু মীয়ামদা মপূং ফানা খঙহন্নবা পোষ্টরশিং, বেনরশিং অমসুং ফিরালশিং অদু নমথোক্লগা কেম্প্যেন চথৈ। এম পি এফনা পব্লিসিটিগী পোৎলম ওইগদবশিং অদুসু মীয়ামদা মচা খায়না খঙহল্লি। কনামত্তনা মদুগী চৎন-পথাপ অদু থুগাইবা য়াদে। অসিগুম্বা এম পি এফকী এগ্রিমেন্ট অসিনা মিজোরামদা মপূং ফানা মনিং তম্না অয়েৎ অপন য়াওদনা ঈং তপ্পা চহী খুদিংগী ইলেক্সনশিং পাঙথোকপা ঙম্বনি। মিজোরামদা পূন্না ভোট্টর ৭,৭০,৩৯৫ লৈবদা মদুগী মনুংদা কেন্দিদেট ২০৯না এ সী ৪০দা লম্বা তৌনরি।

নোটিশ পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

ওল য়ুনিয়ন্স এন্দ এসোসিএসন ওফ বি এস এন এল মণিপুর ষ্টেট ইম্ফালনা জি এম টি দি বি এস এন এল মণিপুর, এস এস এ ইম্ফালগী দিভিজনেল এঞ্জিনিয়র সেটিলাইট মেন্টেনেন্স ইম্ফাল, দিভিজনেল এঞ্জিনিয়র টেলিকোম প্রোজেক্ট ইম্ফাল অমসুং একজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র সিভিল ৱিং বি এস এন এল ইম্ফালদা থা অসিগী ৩দগী ইন্দিফিনিট ষ্ট্রাইক তৌরগনি হায়না নোটিশ পীখ্রে।

ষ্ট্রাইক অসিগী দিমান্দশিংদি তরুকশুবা পে রিভিজন চাদা ১৫গী ফিটমেন্টকা লোয়ননা চৎনহল্লু, বি এস এন এলদা ফোর জি স্পেক্ট্রম এলোট তৌ, বি এস এন এল মেনেজমেন্টনা সবমিট তৌখিবা প্রপোজলগী মতুং ইন্না থবক্তা ওন্থোকউ, কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারী ১দগী থবক্তগী পোথাখিবা বি এস এন এলগী রিটায়ারিশিংদা পেন্সন রিভিজন তৌ, গভর্ণমেন্টকী রুল মতুং ইন্না বি এস এন এলদা পেন্সন কন্ত্রিব্যুসনগী পেমেন্ট তৌ, অনীশুবা পে রিভিজন কন্মিটিগী ৱাথোক অথুবদা শন্দাইনৌ হায়বনচিংবনি।

ষ্ট্রাইক্কী নোটিশ অদু দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি এস এন ঈ এ মণিপুর এস কুমার, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি এ আই জি ঈ টি ও এ মণিপুর এন সঞ্জিপ, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি এন এফ টি বি, বি এস এন এল রাজেন্দ্র গোপাল, এ দি এস, আই বি এস এন এল ঈ এ মণিপুর এল দেবেন, দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট বি এস এন এল ঈ আই মণিপুর এম কুল্লা, খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখিবনি হায়রি।

লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : ম্যান্মারগা লোন্নরিবা হাওলেনফাই ভিলেজদা ম্যান্মারনা লম খোপচিল্লক্লিবা অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হীরম অসিদা য়েংশিনবীয়ু হায়না সোসল ৱার্কর এন জি হাওকিপনা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। মফম অসিদা অসাম রাইফলস থম্বগী মহুত্তা বি এস এফ থম্বীয়ু হায়নসু তকশিল্লি।

প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা পাউজেল পীরক্লি

দিমাপুর, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

নাগালেন্দনা ষ্টেটহুদ ফংখিবা নুমিৎকা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কুমজা ১৯৬৩গী দিসেম্বর ১দা মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট সর্ভাপল্লি রাধাকৃষ্ণনন্না ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী ১৬শুবা ষ্টেট অমা ওইনা হৌদোকখি। ষ্টেটহুদ দেগী নুমিৎকা মরী লৈননা নাগালেন্দগী মীয়ামদা পীবা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দগী পাউজেলদা অসুম্না হায়, ফজরবা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা নুংঙাই-য়াইফৱা ৱাত্ত-পাদবা অমসুং ঈং তপ্পা হায়বদু পুরকপা ওইরসনু। মহাক্লা মমাঙগী চহীগী নুমিৎ অসিমক্তদা হোর্ন বিল ফেষ্টিবেল হাংদোকখিবদু নীংশিংলি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী পাউজেলদা অসুম্না হায়, নাগালেন্দগী মীয়ামদা ষ্টেটহুদ দেগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীজরি অমদি নাগালেন্দগী মীয়াম্না পাল্লিবা চাওখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফৱা হায়বা অদু ফংবা ওইরসনু।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরকখিবশিংগী মনুংদা দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারামন, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজু, অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর প্রেমা খন্দু, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, হোম এফ্যেরস মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহসু য়াওরি।

নীংশিংবা য়াবদি হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ হৌজিক কোহিমাদা পাথোকপা ৫৫রকশুবা ষ্টেটহুদ ফংখিবগী নুমিৎ অমদি ১৯শুবা হোর্ন বিল ফেষ্টিবেল কিসামা ভিলেজদা পাঙথোকপবা অসিদা শরুক য়ানবা লৈরি।

সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):

নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ) সিটিজন (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মায়োক্তা কোহিমাগী ওল্ড এম এল এ জঙ্কসন্দা পব্লিক রেল্লি অমা হৌখিবা নবেম্বর ৩০দা পাঙথোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গেনাসজেসনগী মীৎয়েং মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোয় লূপশিংনা পূন্দুনা বিল অসিগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মীয়ামগী ওইবা রেল্লিনচিংবা পাঙথোক্তুনা য়ানীংদবগী খোঙজং চঙশিল্লিবনি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা এন এস এফকী প্রসিদেন্ট খৃষ্টোফর লটুনা হায়খি, সিটিজন (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিনা ঐখোয়গী পুৱারী অমদি ঐখোয়গী নাট অমদি খুন্নাইগী ওইরিবা ফীভম অসিদা অতম্নবা অকিবা ফাওহল্লক্লি।

আফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং পাকিস্তান্দগী লাকপা লোনা য়াদবা ইমিগ্রেন্টশিং, হিন্দু, মুসলিম, পার্সি অমসুং খৃষ্টানশিংবু সিটিজনসিপ পীগনি হায়রিবা ৱাফম অসি য়ানীংদে। নোর্থ ইষ্ট অসিদা বাংলাদেশতগী লাকপা লোনা য়াদবা মীরৈবাক মচাশিংনা ফীভম য়াম্না শোকচিন্না লৈহল্লি।

অমরোমদা য়াম্না হৈশিংনা অসিগুম্বা লোনা য়াদবা মীরৈবাক মচাশিং অসিনা মওং মরীল তানা য়েলহৌমীশিংগী লম অমসুং লৌবুকশিং খুদুম চনশিল্লক্লি। অৱাং নোংপোক লমদমগী অতোপ্পা মফম অমদা অতোপ্পা ত্রিপুরা অমা শেমগৎপা য়ানীংদে। নাগা খুন্নাইগী নাটকী ওইবা কয়া অদু ঙাক শেন্দুনা থম্নবা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎকদবনি হায়নসু তকশিনখি।

জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কন্মিটিদসু লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবগী পাঙ্গল অসি হেন্না কনশিলহন্নবা থবক পায়খৎপীনবা তকশিনখ্রে। হৌখিবা ওগষ্ট ২৪দা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা ইবা চেরোল অমদা লোনা য়াদবা মীরৈবাক মচাশিং চঙহনবা য়ানবগী ইস্যু অসিগী মতাংদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা পাউখুম অমা ফংখি। মদুদা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ইন্টরিম রিপোর্ট অমা পীখৎতুনা কন্মিটি অমা শেম্নবগী ৱাফম য়াওরি।

নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরদগী লেট্টর ওফ এসুরেন্স অমসু ফংলে অমদি দেপ্যুটি কন্মিস্নর খুদিংমক্তা আই এল পি পায়দবশিং মপূং ফানা চেকশিন্না য়েংশিন্নবা অমসুং ষ্টেট অসিদা লোনা য়াদবা মীরৈবাক মচা অমত্তা চঙহন্দনবা য়াথং পীখ্রে।

নাগালেন্দদা লোনা য়াদবা মীরৈবাক মচা অমত্তা চঙহন্দনবা শুংশোয় শোয়দনা আই এল পি এন আর সীগী লিষ্টতা য়াওদবা মীওইশিংদা ইস্যু তৌদনবা ৱাফমসু খঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ৱাখা দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লকপা মীরৈবাক মচাশিংনা ললোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিংগী চাদা ৬৫ ওইখ্রে হায়রি।

মরকসিদা নাগা ত্রাইব কাউন্সিলনসু পি দি এ গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা সিটিজনসিপ বিলগী ইস্যু অসিগা মরী লৈনবা ৱারোল কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা মসিনা নাগাশিংগী তুংগী পুন্সিদা অচৌবা চৈথেং পীরক্কনি।

জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কন্মিটিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা বিল অসি নৈনগনি হায়বা ৱাফমবু তুমিন্না লৈশিনখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

নাগালেন্দদা বিল অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা লৈতে হায়রবদি জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কন্মিটিগী টিম অদু নাগালেন্দ মীয়ামগী অপাম্বা লৌননবা লাকপগী মথৌ তাদে। নাগালেন্দনা তুমিন্না লৈ হায়দুনা বিল অসিবু য়ানীংই হায়না খল্লবদি মদু অচুম্বা ওইরোই। বিল অসিগী মায়োক্তা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টকী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ ফোঙদোক্কদবনি হায়খি।

পোট্চুরি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট জয়সন য়িশুথুনা ফোঙদোকখিবদা নাগা পুম্নমক্লা নাগাগী হৌখ্রবা মায় পাকপগী ৱারী অমদি নাটপু ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি।

নাগালেন্দ ত্রাইব কাউন্সিলনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা খুদক্তা বিল অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি পেনেলদা রিকমেন্দেসন অদু থাগদবনি হায়নসু তকশিনখ্রে।

HL-B/4961/3/11-2/12

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. and Arts in Manipur
ADMISSION OPEN ☞ Revision
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Seperate Experienced Teachers for
CBSE & COHSEM
from Reputed Schools
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
2nd Batch
Class start from
3rd Dec., 2018

HL-P/5488/7/10-4/12(Alt.)

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008
TOPPERS OF THE S.T.C. IN HSLCE 2018

2nd Position Holder
PATEL LAIRENJAM
23rd Position Holder
HUIDROM HELEN

ADMISSION OPEN
6th REVISION COURSE CLASS X & (XII Sc.)
7th FOUNDATION COURSE CLASS X
START ON 10th DECEMBER 2018
Sub:Maths,Sc,S.S,MM,Eng,C/Sc,H/Sc & H/Maths.
BATCHES : Morning & Evening FACILITIES:-VAN SERVICE & HOSTEL Contact No.8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial